ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, দিসেম্বর ৩০, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২৭৪শুবা মশীং

# মণিপুরগী বি জে পিদা - অসাম ওইরক্কদ্রা, ওইরক্লোইদ্রা

মার্চ ১৯, ২০২২ ফাওবগী মনুংদা মপূং ফানা পুল্লোই লোইশিনগদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১২শুবা ইলেক্সনসিদা মণিপুরগী বি জে পিদা 'অসাম' ওইরক্কদ্রা হায়বগী ৱাফম খঙহৌদনা চোঙথোরক্লে। ৱাফমসি দিসেম্বর ২৬, ২০২২গী লৈবাকসিগী মাঙজিল থারিবা ইংলিস পাউচে 'দ হিন্দু' গী ১০শুবা লমায়দা ফোঙলকপা পাউ অমা অমসুং পাউ অসিমক মণিপুরগী সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকপদগী থোরকপনি। মরমদি মণিপুরগা য়ূমথংনরিবা অসামদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট অদুগী কুমজা ২০১৬ অমসুং কুমজা ২০২১গী মীখলদা করি করি থোকখিবগে? মরু ওইনা অসামগী লৈঙাক্লোন কোংগ্রেসতগী মায় পাক্লা মুনবা ঙম্নকখিবা বি জে পিগী মনুংদা করি অহোংবা লৈখিবগে হায়বদুনি 'দ হিন্দু' পাউচেদা রিপোর্ট তৌরকখ্রিবা ৱাফমশিংসি। কুমজা ২০১৬তা পাঙথোকপা অসাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মীখলদা ষ্টেট অদুগী বি জে পিগী লুচিংবা সর্বানন্দ সোনোৱালনা অসাম বি জে পিগী আইকোন ওইখি। মহাক্লা মাঙজিল থাদুনা শোক্নখিবা অসাম এসেমব্লিগী মীখলগী লান্দা বি জে পিনা চাউনা মায় পাকখি। লৈঙাক পায়খি। মসিমক্তা নত্তনা মথংগী টর্মগী কুমজা ২০২১দা পাঙথোকখিবা মীখলদসু বি জে পিনা অমুক্কা হেন্না চাউনা মায় পাকখি। অদুবু বি জে পিগী মনুংদা অচৌবা অহোংবা অমদি লৈরকখি। সর্বানন্দ সোনোৱালবু অসামগী ষ্টেট পোলিটিক্সকী লম্পাক্তগী সেন্ট্রেল পোলিটিক্সতা চিংখৎলগা মহাক্লা লৌরম্বা থৌগাই পূন্নমক হিমন্ট বিশ্ব শর্ম্মদা থোনগৎতুনা পুহল্লক্লি। থবকসি অঙাং নত্তে, মচা নত্তে। অসাম বি জে পি মনুংগী ওইবা ফজখ্রবা সোল্যুসননি। লিনসু শিনবা, চৈশুস তেক্তনবা, পার্টি মনুংদা, মশেলগী মরক্তা খাইবুং তানদনবা অমত্তা ওইহনবগী মথক্তা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী থবকনি। থৌশিল অসিমক খ্বাইদগী ফবা থৌরাং অমা ওইরক্তুনা হৌজিক লৈরিবা অসামগী লৈঙাক মরা চেৎনা লৈরি। মশাগী মশা অসাম খক্তগী নত্তনা ষ্টেট অদুনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী সেন্টর অমা ওইরি। হৌজিক মনা-মনিল নাইনদ্রে। খেন্নবা, মান্নদবা পার্টি মনুংগী ওইবা ৱাফম অমত্তা থোরক্ত্রে, চেক মোক লাউখিদ্রে।

মরম অসিনা অসামবু বি জে পিগী নেসনল লিদরশিংনা পাঙথোক্লগদবা মীখলসিদা মণিপুরদা থাংজিল্লক্তুনা কার্বোন কোপি তৌরক্কদ্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লি। হৌজিক মণিপুরগী বি জে পিগী মনুংদা খেন্নবা, মান্নদবা অমসুং য়ানদবা মখল অমত্তা লৈরমদববুদি য়াই। হংলুরবসু অদুগুম্বা অমত্তা লৈত্রে হায়নসু খুন্নক্কনি। খুম্ফমসু থোকই। অদুবু চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী কাঙ্খদা হঞ্জিন-হঞ্জিন চঙখিবা লিনগী থৌদোকশিংদি মীয়াম্নসু শং-শং উনখি। অদুগা মদুমক্কী থৌদোক্তু হৌজিক য়াশিন্নদুনা অমত্তা ওইশিনমিন্নখ্রবরা, পূন্নমক উৎনা-ৱাইনা খুমখ্রবরা হায়বগী ৱাহংদি হৌজিক ফাওবদা পাউখুম ফংদ্রিবা ৱাহং ওইরি। মহাক মশাবু চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী লৌথোক্নবা থা খুদিংগী হোৎনখিবা অদু হৌজিক ফাওবদা মীয়াম্না কাউনদ্রি হায়বা ৱাফম ফাওবা মীখল অসিগীদমক চথ্বরক্লিবা কেম্প্যেনদা ফোঙদোরক্লিবনি। অদুবু মসি পার্টি অমখক্তগী ওইজবা লৈঙাক ওইদদুনা চুংশিন্নবা লৈঙাক ওইরুবা খক্তনা মরু ওইবা মরম ওইগদৌরিব্রা? ৱাহংসিগী অশেংবা পাউখুম পীবিনবা মীসু লৈরক্কদবা মান্দে। অসামগী বি জে পি মনুংদা থোকখ্রিবা, ওইহনখ্রিবা মনা-মনিল নাইহন্দনা অমসু অমসু কায়হন্দনবগী থৌরাং-থৌশিল অদুম্মক মণিপুরগীসু পাঙথোক্লগদবা মীখল অসিদা তৌরক্লোইদ্রা হায়নবদি ঙমদ্রি। অদুবু বি জে পিগী নেসনল লিদরশিং অচম্বা অমত্তা নত্তে। পীকখ্রবা মণিপুরদি থম্বু থমখো, চাওরবা লৈবাকসি বি জে পিনা তপ্না-তপ্না লাঙ্গোই চনশিল্লক্তুনা দেল্লীগী লৈঙাক পায়রিবনি। শিংখ্রবা অমসুং হৈখ্রবা লুচিংবা ঙাক্তনি। মণিপুরগী বি জে পিদা নেগেটিভ ইম্পেক্ট পীরক্কদবা, ওইহল্লক্কদবা অশোয়বা-অরানবা থবক-থৌরম অমত্তা তৌরক্লোই। পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা বি জে পিনা চাওনা মায় পাক্তুনা মথংগী লৈঙাকসু শোয়দনা পায়ননবা অরৈবা পাম্বৈশিং পুথোক্তুনা হোৎনরক্কনি। পার্টি মনুংদা নাকপাক তানবগী মমিশিং হান্না লৈরম্নবসু অনৌবা মীখলসিদদি ভোটর মীয়ামদা উহন্দনবা লোইশিন-খমজিনবগী থবকশিং লৌখৎলক্কনি । হায়রিবশিং অসি তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদবা থবকশিংসু ওইরিবনি। তৌসনু, পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলসি থথা নত্তে, লায়দে। ঙম্ন-ঙম্নবা হোৎনরকপা হায়বসি মশানা তাবনি। মসিমক্লা মায়োক্লদুনা লম্বা পানগদৌরিবা পার্টিশিংগী মরক্তগী য়াম্না ঙনখৎনা মীখলগী কেম্প্যেন পাঙথোরক্লিবনি। মীখলসিদা য়ামদ্রবদা সিট ৪০দগী ৪৫ ফাওবগী মনুংদা ফংদুনা বি জে পি খক্তগী লৈঙাক অমা শেমগনি হায়বগী পান্দম মাঙদা থল্লগা চঙশিন্নরক্লিবনি। মায় পাকপসু ওইসনু। অদুবু অসামদা থোকখিবা থৌদোক অদুমক শোয়দনা থোকহল্লকপা য়াবগী লৈরিবা মরমশিংদি হৌজিক ফাওবা অদুম্মক লৈরি হায়বদা হেঞ্জিন্না হায়জিনবা ওইগনি থাজদে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩২

১) মণিপুরগী মমিং চৎলবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি ***"কৈথেল লুকোক"*** হায়বসি। কনানা ইবা করি ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবনো?

২) **"কিশি"** হায়বা (২০১৬তা ফোঙবা) লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) রঘু লৈশাংথেমনা ইবা ***"খুঙ্গংগী চিঠি"*** হায়বা লাইরিকসি কনানা করি মমিং হায়না ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৪) ***"ঙসি ঙসি হয়েং হয়েং মাঙখি মতমসু।/হন্না য়ৌনবু য়েংবীরমদে কনাবুসু।/নুংশি হৈতবী মতমনি/ৱারকচেৎপী মহাক্লি।"*** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

৫) ***"লাইথুং মখাক লাইমন মচিং"*** হায়বা লাইরিক্কী অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৫৮ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

শুমাং লীলা হায়বসি মীয়াম্না য়াম্না নুংশি, পাম্মী, য়োকখৎলি। মীয়ামসিনা য়োকপগী হিংলিবনি। মীয়াম্না থৌওইরক্তবা মতমদা শুমাং লীলা তপ্না তপ্না লোইখিগদবনি হায়বসিসু ঐখোয় কাউফম থোক্তে। মণিপুরগী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা, পোকপদগী শিবা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোকপা থৌরম খুদিংদা য়াম্না মরু ওইরিবা, মীয়াম্নসু পূক্লিং নুংঙোন্না য়াম্না লেম্না তানরম্বা পেনা ফমশক ঙসি উনা উনা উখিদ্রিবনি। মতম অমদা পেনা ফমশক অমদি পেনাগী শৈশকপু মীয়াম মরক্তগী থোকখিগনি হায়বসি কনানা থাজনরম্বগে? লৈকায় অমদা থৌরম অমা হেক পাঙথোকপদা পেনা শক্লরম্মী। অহল লমন, লৈশা-পাখং, নহা হায়বা খাক্তনা ফমদুনা পেনা তানরম্মীবনি। হায়নবা লৈরিবনি, পেনা তাবদা মচা কপ্পা খঙদে হায়না। হৌজিক খোংজোম পর্ব্ব, ষণশেনবা, উদুখোল, নৌকা খেল্লা, গৌড়া লীলা, বাসোক, মোইরাং সাই, খুনুং ঈশৈ করি ওইরি? মখোয়গী ফীভম লমদম অসিদা কয়া য়াম্না মতিং লৈনা লৈরি? মখোয়গী মরাইবক অসি ঙসি শুমাং লীলা মীয়াম্না পাম্নরি হায়না পোঙদুনা লৈরিবা হৌরক্লিবা নহাশিং অসিনা খঙজিনবা কান্নগনি। মসি মখোয়গী ৱা নত্তে। তুংলমচৎকীনি।

শুমাং লীলা ঙসিদি ফীভম য়াম্না শোক্লে হায়দবা ঙম্লোই। মতম অমদা লৈরম্বা শুমাং লীলাগী মতিক ময়াই ঙসিদি মরাই চাইথরক্লে। মতমদুগী অহল-লমনশিং অদুগী তুবুম নাম্মা ফাওবা শোকপা ঙমদ্রে। ৱাঙাঙদগী-শঙাঙদগী, অসুক্কী মতিক চম্না ফজরম্বা মশক অদু ঙসিদি লোইনা ময়েং তারক্লে। লীলা অমা ওইনবা হোৎনবদা অহলশিং অদুনা হোৎনখিবগী শরুক ঙসিগী নহাশিং অসিনা কয়া য়াম্না খুদুং ইনবা ঙল্লিবগে? অদুগা ৱা হায়নরকপা মতমদনা, শুমাং লীলা ময়েং তারে হায়বসি য়ানীংদে, শুমাং লীলা য়াম্না মপাঙ্গল কল্লি, শুমাং লীলা কৈদৌনুংদা শিরোই, মমাঙৱৈদগী হৌজিক্লা হেন্না মপাঙ্গল কনবা হেনগৎলে, চাওখৎপা হেল্লে হায়না ঙাঙনবা ঐখোয় খুদিংনা তারে। মরন্নাই ওইনা মচিন্দা হায়রম্বদগী মীয়াম তিনবা থৌরমদা ফোংনা হায়বা য়াওরক্লে। মশাদা পক্লিবা নাপলশিং অদুনা মখোয় মশা মশাগী মখোঙদা থাঙনা য়ানশিঞ্জবা অদুদি থোইদোক্লা খন্দবগুম 'হে' তোংদুনা মথোই কাবা উরি। মসিমক্তি তৌহন্নীংদবা অমা ওই। হৌজিক মণিপুরদা শুমাং লীলাগী গ্রুপ কয়া লৈরিবগে? লৈরিবা গ্রুপশিং অদু কয়া য়াম্না লীলা চৎলিবগে? গ্রুপ অমা অনীনা লীলা চৎলগা, মমিংগী ওইনা লৈরিবা অতৈগী ফীভমদি হন্না ফাওবা য়েংদদুনা পংহায়দা হায়বা চুমব্রা? ঙসিগীদি মখোয় লীলা চৎলি, শেল য়াম্না থোক্লি হায়না নাপল কারি, মদুগী ফীভম অদুবু মখোয়না কয়া কুইনা চথ্বা ঙমখিগনি। মখোয়গীসু নুমিৎ তাবা মতম লাকপদা, মণিপুরদা শুমাং লীলানা ময়াং অসুম কংশিল্লক্লিবা অসিসু খনফম থোকপনি। শুমাং লীলা অমুক্কা হন্না হিঙ্গৎহন্নবা, হেন্না মতিং থোক্লা লৈনবা থৌরাং কয়া পায়খৎপা য়াই। মতমগী চৎনবী ওইরবসু শুমাং লীলা অমা শান্নবদা লৌরিবা শেনফম অসি কা অমা হেন্না য়াম্মল্লে। মসি লৈকায়, ক্লবতা য়াওশঙগী থৌরম পাঙথোকপদা লীলা কৌবগী মীফম ফম্বদা শেল য়াম্মল্লি, পুথোকপা ঙম্লোই হায়না শুমাং লীলা তৌরম্বা তোকখিবা ক্লব কয়া লৈরবগে নীংশিংবা ফৈ।

মতম অমা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমদা তাইশিল্লগা শুমাং লীলা কৌবা হন্থরক্লিবনি হায়না মরৈ কন্না কন্না য়েৎখিবা মী য়াম্না লৈ। মশক মমিংদি পঞ্জনীংদে। মতমদুদগী হৌনা শুমাং লীলাগী ফীভম অসি শোকচিল্লকপা হৌখ্রবনি। অদুবু অয়াম্বা শুমাং লীলা য়াওবীরিবশিংনা খঙখিদে। সিফাই লৈবগী নৎত্রগা ঈরাং ফত্তবদগী লীলা কৌবগী চাং হন্থরকপনি হায়না হায়খিবনি। লৈকায় অমদা লৈশাবীগী, পাখংগী, মৌগী চাক চানবা, লৈকায় হুপ্না চাক চানদুনা লীলা কৌদুনা য়েংনরম্বা, শ্বষ্টি পুজা অমা থোকপদা লীলা তৌরম্বা, নাহুৎ নারেং অমদি অতৈ থৌরম কয়াদা লীলা তৌরম্বগী চাং অসুম অসুম হন্থরক্লিবসিগী মরম করিগী ওইবা য়াই। মরম ময়াম অমা লৈবা য়াই - মদুগী মনুংদা, লীলাগী ক্বালিটি হন্থরক্লিব্রা? মীয়ামগী অপাম্বা ফংদবগীরা, লীলা অমা কৌবগী শেনফম য়াম্না য়াম্মনবগীরা? লীলা অমা কৌবদা চঙলিবা চাদিং ময়াম অদু পুবা থাংবা ঙমদবগীরা খন্নবা য়াই। শুমাং লীলাসি ঐখোয়না হৌরকপা মতমদসু শুমাংদা অয়াম্বা লোইনা শান্নরম্মী। চেরিটি শো য়াম্না তৌদুনা শান্নরকপা মতমদসু শুমাং অচৌবদা লোইনা শান্নরম্বনি। হোয় হৌজিক্তি শুমাংবুদি অচৌবা লৈনরক্ত্রে। লম্পাকলোমদা লোইনা থোরক্লে। অদুসু হৌজিক্তি ষ্টেজ শাদবা য়ারক্ত্রে। ষ্টেজ শাবা হায়বসি ইরায় লায়দে। হেক্তা য়াবা ওইদে। মৈ ঙান্না থান্দবা য়াদে, মৈদু চুম্নগী ঙান্নবা থানবদুগী মথক্তা, মাইক মেছিনগীসু য়াওনা ইঞ্জিন অচৌবনা ঙংদবা য়ারক্তে। মৈ শোল্লবদি মাইক ফাওবা খোঙবা য়াদদুনা অৱাবা ওইনরে। মসি পূন্নমকশিং অসি লীলা কৌরিবশিংদা লীলা অকৌমনগী শেনফমদগী অহেনবা শেনফম অমা ওইরিবনি। অদুনা লীলা অমা শিনবা হায়বসি অচৌবা শেনফম অমা চঙনরকপা অসিনা খুদোং চাদবা থোরকপা হায়বা অসিসু নৈনবা য়াই। মসিমক্লা লীলা কৌনদবনি হায়বদি নত্তে। লীলা কৌবগী মমল হন্থবদা য়াম্না খুদোং চাদবরা? মমাঙঙৈগী মতম অদুগুম্না লীলা পংতৌদা হেক্তা তৌশিনসি হায়বমকসু নত্তে, করি করি ককথবা য়াবা লৈবগে, লৈরবদি মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা অমুক্কা হেন্না লীলাসি তিং-তিং লাওনা শান্নহন্নবগী অপাম্বদুগী ৱানি। পুখৎনীংলিবা ৱাফমদি - লীলা কৌবগী চাং ৱাৎলিবসি হেন্না কৌহনবা য়াবা করি কাঙলোন লৈবগে হায়বদি থিবদুনি।

তৌবৈবুদি, মীয়ামগী ওইনা লৈরবা শুমাং লীলা হায়বসি মীয়ামদগী পাক লাপথোকপা ঙমগদবমক্তি ওইদে। অদুবু মতিং লৈনা মহৌশাগুম খিং খিং লাওবা অদুমক্কী ফীভম অদু করম্না হঞ্জিনবা য়াবগে হায়বা অদুমদি হৌজিক মতম লৈরিঙৈসিদা নৈনহৌদবা য়ারোই। থেংথরক্লবদি মমল লৈর-লৈরবা লমদমসিগী লৈহাওদা পোকখিবা, চাওখিবা পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম কয়া মরদ্ধ থিবা ফাওবা ৱারবা ফীভম অসি লাক্কদ্রা হায়বগী নুংশা থীবা করিগুম্বদা ফাওরক্তবা নত্তে। ৱাফম অসি খজিক খন্থরগা খন্নবা ফৈ, খৌজেংদগী মীওই খরনা শুমাং লীলাদি শুংশি শিরোই হায়না হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা ফাওবা ঙাঙলকপা য়াওরি। মসিদি নাপল কৌই। নাপলদুদি ঙাইহাক্কীনি, নাপলদুনা শুমাং লীলা কনবা য়াগদ্রা হায়বা অসিসু খন্থবা মথৌ তাই। হৌরক্লিবা মীকি লাইকিদবা নহাশিং য়াম্না লৈরে হায়না হায়নরিবসিনা চুম্বা তারবদি শুমাং লীলাগী মরাইবক তম্বা ৱাগনি। শুক চাওখ্রবা, ফজখ্রবা অমদি মীয়ামগী মরল ওইনা লৈরম্বা শুমাং লীলানা মপোপ কায়রক্লবসি করিদগীনো খন্নবা ফৈ। শুমাং লীলা হায়বসি, পিজেন্ট আর্ট অমা ওইনা লৈরম্বনি, মতমদুদনি য়াম্না মমিং লৈখিবসু, মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবসু, হৌজিক্তি অর্বান ফিনোমেনন অমদা চঙশিল্লক্লবা ওইনা তৌরবসিদনি শুমাং লীলানা মশক হোংলক্লিবা। মতমগী ওইবা অহোংবদি কনানসু থিংবা ঙম্লোই। হোংদবা য়াদ্রে, হোংবা তারে হায়রবসু করম্না হোংগদগে অমদি করি পোইরৈ য়েংগদগে হায়বদুনি লুরিবসি। শুমাং লীলাদগী ফোক ত্রেদিসন তপ্না তপ্না খাইদোরকপা উরে। মসিনা মমিং লৈরবা লুপা ক্রোর ক্রোর চঙনা পুথোক্লিবা হিন্দি ফিল্মগা কৈদৌনুংদা চাংদম্নবদি য়াখিরোই, মাগী মাগী লৈফম থোকপা অমদি ওইফম থোকপা মশক অদুদি কৈদৌনুংদা হোংবা য়ারোই। ক্বাকনা কোকিলগী মতু থেৎলবসু খোঙলকপা মতমদদি ক্বাক্কী খোঞ্জেল অদুম থোরক্কনি। মতমদুদা কোকিলনি খঞ্জরম্বা অদুগী নাপল মাঙখিবা য়াই। মতম থেংনা মীকপ থোকপনা কন্নীংবা, য়োক্লিংবা খুদিংমক্কী ওইজবা শিৎলোইদ্রা হায়বসি চাইথোরকপা ৱাখলদা মোংলক্লে। ●

# অৱাবা তাদ্রিঙৈদা চেকশিনহৌসি

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

মমাঙগী চয়োলগী ৱারেংদা হকচাং ফনা লৈনবগীদমক শাজেল তৌবা হায়বসি অসুক্কী মতিক মথৌ তাই হায়বসি তোপ তুনা নারবা কান্দতা নীংশিংলকই হায়না পঞ্জখিবা অদুগা মরী লৈননা ঐহাক্কী পুন্সিদা থেংনজরকপা খুদম খরদং থমজগে।

কুমজা ২০১৮দা খঙহৌদনা ঐহাক্কী পুন্সিদা কেন্সরগী ঈরৈনুংদা ঈরাক্লদুনা লৈরিঙৈ মতমদা কেন্সর লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা খ্বাইদগী ফবা লায়েং অমনি হায়দুনা কেমোথেরাপি, রেদিওথেরাপি অমদি টার্গেটথেরাপি লায়েংশিং চথ্থখি। হায়রিবা লায়েংশিং অসি ইচম চম্না, ইরায় লায়না খল্লুবদি লানগনি। লায়েংশিং অসি পুন্সি কন্দবা য়াদে হায়বগী অদুক চথ্থবনি। য়ারিবমখৈ মসিগী লায়েংসি চথ্থদবনা ফবজাৎনি খল্লকই, হায়বদি অসুক্কী মতিক অৱাবা কয়া অমা থেংনৈ। পুন্সিবুদি কনবা য়াই অদুবু লায়েংসিদা শীজিন্নরিবা হীদাকশিং অসিদি হু তপ্না তপ্না থকপগা হায়ফেৎ মান্নে হায়না লৌবা য়াই। খ্বাইদগী অহানবদা লাকপা কেমোথেরাপি লায়েং চথ্থবগী ফত্তবা ফল (রিজল্ট) সি শম কেনবা অসিনি। শমসি মচেৎ অমত্তা খাক্তনা কেনবনি। শম কেনবা অসিগী মথক্তা উনশাসু য়াম্না কেনবা, খুইথবা অমদি চেকখায়বনি। অদুগা খূৎকী অমদি খোঙশাশিংগী খুজিলদসু অহোংবা য়াম্না লাকই। খুজিলগী মমায়শিংসি চেকখাইরকই অদুগা মচুসু মুশিল্লকই লোয়ননা থোৎপা অমদি পাবা হেনজিল্লকই। মীওই অমগী হকচাংসি মশা মউ ফনা লৈবরা লৈতব্রা হায়বসিসু খুজিলনা ময়েক শেংনা তাকই হায়নবদো য়াম্না চুম্বজাৎনি। মসি ঐহাক্কী খুজিলদা লাক্লিবা অহোংবশিং অসিনা ময়েক শেংনা অদুম তাক্লে। মশা মউ ফবা মীওইশিংগী খুজিলদি থানা, কন্না অমসুং ঙাংলি ঙাংলি লৈগদবনি। খুজিলনা মুশিল্লকপা অমদি পাথরকপা হায়বসি হকচাংগী অশোনবা লৈরে উৎপনি। কেন্সর লায়েং চথ্থরিঙৈ মতমদদি কুচুসি হঙ্গাম মপাল ওইনা তৌই অদুগা কেন্সর হীদাকশিং কাপত্রিঙৈদদি কুচুসি ঙাংলৈননা লৈবনি। থমজরিবা খরা অসিনা মপান্থোংগী ওইনা লাকপা অহোংবা অদুনি।

মথক্কীশিং অসিগী মথক্তা হীদাক ময়াম অমা চাশিনবনা ঐহাক্কী নাসু পংহল্লে, নীংথিনা তাবা ঙমহন্দে। মসিনা মরম ওইদুনা ঐহাক্কী মহৈরোয়শিংনা নৎত্রগা ইচাশিংনা ৱা হায়বদা তাদদুনা করি হায়বা, হৌনা হায়য়ু হায়দুনা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়হল্লি। ইচাশিং অমদি ঐহাক্কী মহৈরোয়শিংদা অমুক হায়হনবসিদি থোইদোক্লা কায়দে অদুবু মীমাঙ থোরকপদদি না তাদবসিনা অৱাবা অমা ওইহল্লি, অপনবা কয়া পী, থবক মঙম শালহন্দে।

ঐহাক্লা কুমজা ২০১৮দা য়ু এস এগী লাস ভেগাসতা পাঙথোকখিবা ২১শুবা নেচরেল ওলিম্পিয়াগী নুমিৎ মরিনি পাঙথোকপগী অরোইবা নুমিৎতা মনা-মথুম য়েন্থোকপা নুমিৎতুদা ঐহাক্কী মিংসু লাউথোরকপা তাখি। কেমোথেরাপি ত্রিটমেন্টনা না পংহনবদুনা ময়েক শেংনদি তাখিদে করি এৱার্দনো হায়বদো। কোন্না ষ্টেজদা কাখৎতুনা ঐহাক্কী ইফমদা ৱর্ল্ড প্রসিদেন্টনা পীরকপা এৱার্দ plate তুদা "INBA PNBA WORLD AMBASSADOR" হায়বা মিংথোল অসি উবনি। মিংথোল অসি পীবিদুনা, ৱর্ল্ড প্রসিদেন্টকী মচানুপী, আই এন বি এ, পি এন বি এগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা, Denise Kakos না ঐহাক্কী কেন্সর নাবগী খোঙচৎ অমদি আই এন বি এ, পি এন বি এগী খোঙচৎ অদুগী মতাংদা তিল্লিবা মালেমগী মীয়ামদুদা ফোঙদোক্তুনা ঐঙোন্দা ওনশিন্দুনা করিগুম্বা খরা হংলকপা অদুদা করিমত্তা তাবা ঙমখিদবদগী ঐহাক্লা ৱর্ল্ড প্রসিদেন্টদা ওনশিন্দুনা "May I say something" হায়না হংলুবদা "Why not, go ahead" হায়না মাইক্রোফোনদু পীরক্তুনা ঐহাক্লা ফোঙদোকনীংবা ৱাহৈ খরা ফোঙদোকখি। তশেংবদি ঐহাক্লা ৱা ঙাঙনীংবদি ঙাঙখিবা নত্তে, Denise না হংলকখিবা ৱাহংশিং অদু করিমত্তা তাবা ঙমদবা অদুদা ৱারী ময়েক শেংনবা হায়দুনা ঙাঙখিবনি।

কেমোথেরাপি লায়েং চথ্থরিঙৈ থা ৫/৬ সিদি অহিং খুদিং তূম্বা ৱানা থোকই। অহিংদা তোয়না মীকপ থোক্লকই। হৌগৎ খুদিং টোইলেট চঙদবা য়াদে। অসুম্না অমুকপু হৌগৎখ্রবদি অমুক হন্না তূম্বদা পুং অমা অনীগী মতমদি চঙই। করিগুম্বদা অমুক হন্না তূমথবা ঙমদে। অদুগা মঙসু নুংঙাইবা মঙ মঙদে, অকিবা-অৱাবনচিংবা ফৈরেং তুরেংগী মঙ ঙাক্তা মঙই, জুগোৎ চাদবা মঙ ঙাক্তা। ইংলিসতা হায়রগনা nightmare কাইদুনি ঐহাক্লা উরিসে মঙসিদা। নীংশিংলকই ইরমদমগী লাইওইখ্রবা ফাগিরোই ওজা চাওবা, ওজা তোম্বী অমদি ওজা বাবু অহুম্না শান্নবা ইপোমগী তাঙ্কক অমদা অহল ওইশিল্লকপনরা খঙদে মঙদসু কু, শোরাৎকুম্বা, ফিরোইগুম্বা ঙাক্তা উই হায়খিবদো। ঐহাক্কীসিদি অহল ওইদ্রসু উরে হায়বদুনি। অকি অখংগী মঙ মঙবতা নত্তনা, অহিং কয়াদা অরুম লাইহৌসু তোয়না তোয়না তৌই। কালেনসু লোইখ্রবা মতমদসু অহিং তূল্লিঙৈদা হুমাংনা পুমচোৎ পুমচোৎ চোৎতুনা লৈরম্মী ইশাসে। অদুবু নোংমদি শোয়দনা ফরকখিনি, শান্নবা ঙম্লকখিনি, হান্নগী পুন্সিগুম নোর্মেল ওইবা অনৌবা পুন্সি অমা ফংলকখিনি হায়দুনা ঐহাক্কী পুন্সিগী ঈচেলনা চেন্থরকপনি।

লোইদ্রি মসিনা, কেমোথেরাপি কাপ্পগী মথক্তা কেন্সর সেল পূন্নমক তুম্না হাৎতোক্লবনি হায়দুনা টার্গেটথেরাপিগী laser beam অমুক কাপশিল্লে খৌনাওসিদা থা অমা। টার্গেটথেরাপি কাপ্লবা মতুং থা ফনা য়াম্না চানীংবসু ফাওদ্রে, মহাওসু লৈসিদা ফাওদ্রে অদুগা চানীংবা চিঞ্জাকসু চাবা য়াদ্রে। টার্গেটথেরাপি কাপশিনবসিদি চিন-লৈসি লোইনা চাথৎলি। নমদুনা প্যেন কিল্লরগী টেব্লেটসু চারিবনি। টার্গেটথেরাপিসি থা অমখক চথ্থরবসু লায়েং অসিনা য়ৈখাই থুগাইখিবা চিন-লৈসি চহী অনী হেন্না মহাউ খঙনা চাবা ঙমদে। কেমোথেরাপি, রেদিওথেরাপি অমদি টার্গেটথেরাপি অহুমগী লায়েংশিং অসিনা কেন্সর সেলশিংগা লোয়ননা হকচাংগী অফবা সেলশিংসু হাৎতোকপনা হকচাংগী ইম্ম্যুন সিষ্টমসি য়াম্না নেমথৈ। পাঙ্গল কনখৎনবা, ইম্ম্যুন সিষ্টম ৱাংখৎনবা হায়দুনা চাং নাইনা চাদবদি য়াদে হায় ডাক্তরনা। অদুবু চাবদি অমত্তা য়াদ্রে হায়বদুনি। মতাংসিদা থেংনখিবা অৱা অনা খরখক থমজবনি। কোন্না ময়েক শেংনা, শন্দোক্লা হাপচরক্লে ঐহাক্কী লাইরিক্তা।

লোইশিল্লকপদা, ঐহাক মতম চূপ্পদা তূম্বা, চাবা, থকপা য়াম্না চেকশিন্না লৈজবা মীশক অমনি। অদুবু চেকশিন চেকশিন্না খঙহৌদে কদোমদগীনো হুমজিল্লকখিবা কেন্সর কৌবা শাথীরবা লায়নাসে। অসুক চেকশিন্না লৈজবা ঐঙোন্দা ফাওবা অসিগুম্বা লায়না অসি চঙলকপা ঙম্লবদি শোমগী পুন্সিদদি কমদৌবা। নাদ য়েক্ত্রিঙৈদা চাং নাইনা শাজেল তৌদুনা অফবা চিঞ্জাক চাদুনা নিংথিনা মপূং ফানা পোত্থাবা কাউবীগনু অসিগুম্বা অনা অয়েক অসি থোক্তনবা সোম সোমগী পুন্সিদা। পুন্সিসে তেল্লি অদুনা তেল্লবা পুন্সি অসিবু থৌশাদবদগী অমুক্কা তেলহনবা হায়বসি অশিংবা থৌওং নত্তে। মরম অসিনা হকচাং ফনা লৈনবা নোংমগী পুঙ্খায় অমা করি অমা কায়থোকপীদুনা চয়োল অমদা অহুম মরিরক শাজেল চাং নাইনা তৌনবা হোৎনবীয়ু, অচম্বা চিঞ্জাক চাবীয়ু, লোয়ননা মতম চানা, মপূং ফানা পোত্থাবসু কাউবীগনু। হকচাংনবু ফৎত্রবদি শেল ফনা পায়সনু, ফুরা দলালদসু লৈসনু, মমিং ফনা য়াম্না চৎপসু ওইসনু লোইনা অরেম্বদা তাবগুম্বনি। হকচাং ফবনা লননি। য়াইফমিন্নরসে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।